# ‘‘অপাম্বা নীবদা শক্তি শীজিন্নবা হৌনদে’’

**– এল ইবোমচা –**



মণিপুরগী পাক চাউবা অসি বর্গ কিলোমিটর ২২,৩২৭ নি। মসিগী মনুংদা শরুক মাপন থোকপগী অমগী চাং তম্পাক্কী লমনি, অরেম্বা অতৈনা চীংগী লমনি। তশেংনা হায়রবদি তম্পাক্কী লমদম অসি অৱাংবা লৈতেম মান্নবা লমদম্নি। তম্পাক্কী অৱাংবা অসি সমুদ্রগী ঈমাইদগী মিটর ৭৪৬তগীনা ৮৫ ফাওবগী মনুংদা লৈ। য়াংকোক মওং মানবা তম্পাক অসি অৱাংলোমদগী মখারোমদা খরা খরা ঙমথৈ। অদুগা চীংশাং পরেং অসিগী অৱাংবা অসিসু অৱাংগী শরুক্না খারোমদগী হেল্লি। তম্পাক্কী খা থংবা মায়কৈদা লোক্তাক পাৎ লৈ। পাৎ অসিদা মপানগী তুরেল অমত্তা তিল্লদে, ঈশিং মরীক অমত্তা য়ৌরক্তে। খ্বাইদগী ৱাংবা চীংশাংসি অৱাং-নোংপোক্কী চীংশাং পরেংসিনি। চীংশাং অসিদা সমুদ্রগী ঈমাইদগী মিটর ৩,০০০ ফাওবা ৱাংবা চীংদোল লৈ।

হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী ঙমখৈ অসি অৱাংদা নাগা হিলসকী চীংশাং পরেং, অৱাং-নোংপোক, নোংপোক অমদি মখাদা বর্ম্মা, নোংচুপ্তা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্ট অমদি মিজোরামনা ওই। অদুবু হৌজিক লৈরিবা ঙমখৈসি মণিপুরগী মহৌশাগী ওইবা ঙমখৈদি খক ওইরক্তে, মতিক মথৌনা লৈবা নিংথৌনা পাল্লম্বা হাক্তক্তদি পাক চাউরবা লোইলম শন্দোক্লম্মী। উমংগী শরুক্না হেনবা লম অসি উ-ৱা হৌবগী অনেম অৱাংগী মতুংইন্না মৌশুমী নুংশিৎ ফংবগী চাং খেন্নে। মণিপুরদা ফংলিবা উমংগী মচাক অসি মখল মথেলনা তিন্নরবা মশক্লি। অমরোমদা হিমালয়দগীনা চাইনা ফাওবগী মনুংদা হৌবা উপাল-ৱাপালগী মখল কয়ামুক মণিপুরদা ফংই। অদুগা মণিপুরদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা মীওইশিং অসিসু মপান্দগী কোন্না চঙলকপা মী কাঙলূপ খরা নত্তনা অতৈদি মপুংদা য়েক তরেৎ নৎত্রগা সলাই তরেৎকী মচা-মশুশিং ঙাক্তনি।

মণিপুর ফূরুপ ৩৪/৩৫ খুন্দাবা লমনি। মসিগী মনুংদা কুকি ফূরুপকী মনুং চনবদা লৈরিবা কাঙলূপ মচা মচাশিং অসিদি মপান্দগী কোন্না চঙলকপা মীতোপ ঙাক্তনি। অপূনবদা মখোয়সিবু মীতৈশিংনা খোংজাই হায়না খঙনৈ, হৌজিক্লা কুকি হায়না খঙনরিবা ফূরুপ অসিনি। মখোয় অসি য়েক সলাই লৈবা ফূরুপ নত্তে, হৌজিক্কী লোন্দাদা ওইনা হায়রগনা ফোরেন্নর ঙাক্তনি। ঙসিদগীনা চহী ১৮৪ মুক্কী মমাঙদা মণিপুরদা পাল্লম্বা মীতৈ নিংথৌশিংনা মণিপুর তম্পাক্তা শম্নবা চীংগী মফম খরা অমদি খরা অরাপ্পদা লৈবা চীং ঙাক্লবা মচি মচিদা খুন্দাহল্লবনি।

অসুম্না নিংথৌনা খুন্দা লৈতাহল্লম্বা কুকিশিংনা মে ৩, ২০২৩, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী য়াচংবদা ইখঙ খঙহৌদনা হুরান লোন্নাদা মীতৈশিংদা লান্দারকখি। অমরোমদা খরা ঙন্না কুকিশিংনা মীতৈশিংদা লান্দারল্লিবা অসি ঈশ্বরনা থৌজানবীরবনি খন্দোকপা য়াই। খরা থেংথরল্লবদি মীতৈশিং শিংকুপ শানা তোইনি। চহী খরগা অমুক থেংথরল্লবদি পোপি থাবদগী কারকপা য়াল্লবা শেনফম্না হৌজিক কুকিশিংনা পায়রিবা মতিক ময়াই লৈখ্রবা খূৎলায়শিং অসিগী মথক্তা অহেনবা খূৎলায় কয়ামুক লৈশিন্দুনা থল্লমগনি। মদুগী থাক অদু য়ৌদ্রিঙৈদা লান্দারল্লিবা অসি ঈশ্বরগী থৌইনশিন্নি। মীতৈশিং ঈশ্বরনা থৌজাল্লি হায়বা তাকই।

কুকিশিং অসি মখোয়গী অরেপ্পা লৈফম মফম লৈতবনা পূক্লিংগী অপাম্বা অনীংবসু হোং-হোংদুনা ঙরাংনা অমা হায়, ঙসিনা অমা হায় তৌদুনা লৈ। মসিগী খুদম হায়ববু ঙসি মীতৈশিংদা লান্দারল্লিবা অসি মীতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ তানবগীনি হায়না অহানবদা হায়। খরনিগী মতুংদনা অমুক মখোয়গী ওইবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তানবদা মীতৈশিংনা অয়েৎ-অপন অমদি অথিংবা পীবগী লান্দাবনি হায়। হৌজিক্লা কুকিলেন্দ ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটরি দিমান্দ তৌরল্লিবা অসিনি। মদুসু মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি সেন্টর গভর্ণমেন্টতা তানবনি হায়। অদুবু ওন্ন-তৈননা মীতৈশিংদা অতম্লনা ওনশিল্লগা লান্দাশিল্লি। অমরোমদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী খুর্জি পায়রিবা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা কুকিদনা অমা হায়, নাগাদনা অমা হায় অমদি মীতৈদনা অমা হায় তৌদুনা অচুম্বা নাখে শেংবা থবক অমত্তা তৌদনা লৈ। ইন্দিয়ান আর্মিনা ফাওবা পায়দবা অফবা মখলগী খূৎলায় পায়রিবা কুকিশিংদনা কদাইদগী খূৎলায়নো হংদে। অদুগা মীতৈ খুল ঙাকপশিংনা পায়বা সিঙ্গল বেরেল অমসুং দবল বেরেলবুনা কদাইদগীনো, কনাগীনো, লাইসেন্স য়াওব্রা-য়াওদব্রা হংই। হংবা য়াবা হংলবা মতুংদা অসিগুম্বা মী শিবা য়াবা খূৎলায় অসি অমুক হন্না পায়বা য়ারোই হায়না অথিংবা পী। কুকিশিংনা মীতৈশিংদা নোংমৈ মতোন ওনশিল্লগা কাপ্লকপদনা করিমত্তা হায়দনা য়েংলগা লৈ। অদুগা মীতৈশিংনা মশা ঙাকথোক্লবা কাপ্লুবদনা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্পু হায়বা মসিগুম্বা ৱাঙাঙ অসিনদি করম্না মণিপুর শান্তি লাক্কনি। কুকিশিংবুনা ফ্রী থাদুনা থল্লে, মীতৈশিংবুনা মখোঙ-মখূৎ অনীমক পূনশিন্দুনা থন্বীখি।

হায়রুরগনা কুকিশিংগদি সূ চৎনৈ হায়না ইন্দিয়ান আর্মিনা ইকোম কোম্না খুল্লকই। মসিদা মীতৈনা হায়বনা সূ চৎনবা হায়বসিবু কুকি মিলিটেন্টশিং অসিনা তৌনীং-তৌনীংবতা তৌরিবা অসিবুরা? সূদা লৈরবা কুকশিংনা অফবা মখলগী নোংমৈ পায়রগা চৎনীংবা মফমদা পংচৎতা চৎপা, মীচম মীয়ামদা নোংমৈনা কাপশিনবা, মীগী ময়ূম মকৈশিং মৈনা তুম্না থাবা মসিবু হৌনব্রা? মসিনা তাল্লিবদি সেন্টর লৈঙাক্লা মতম মতমগী লাকপা ইলেক্সন অমদি লৈঙাক শেম্বদা ইকোম কোম্না থোক্লবা কুকিশিংবু নাউ-চাউহন্নবা এগ্রিমেন্ট অমনি। নৎলমদ্রবদি কুকি মিলিটেন্টশিংনা অসুক য়াম্না মথোং হুক্তবা থবকশিং অসি তৌবা ঙম্ফম থোক্তে হায়বসিনি।

মণিপুর ফূরুপ ৩৪/৩৫না খুন্দামিন্নবা লৈবাক ওইবনা মরম য়াম্না চারবদি লম্মীৎ-তুমিৎ মুন্না য়েংলগা সংবিধানগী মখাদা লৈঙাক অমা শেম্বা অমদি তোখাইবা য়ারমগনি। মরম্না চাদ্রবদি তোঙাইবা হায়বা ৱাহৈ অসি ফাওবা চিন্না পনবা হৌনদে। অদুগা তোখাইনা তানীংলে হায়দুনসু মীচম মীয়ামদা নোংমৈ চীন্দোন ওনশিনবদি আইন্না অয়াবা পীফম থোক্তে। মসিগী মহুত্তা মথৌনা লৈনা ষ্টেট লৈঙাক অমসুং সেন্টর লৈঙাক্তা ওইনা চৎতুনা পাল্লিবা দিমান্দ অদুমক ফংনবা তানবা য়াই। মদুদা লৈঙাক্লা তাবীদ্রবদি মালেমগী ফম্বাক্তা ফাওবা পুখৎপা য়াইনা। অদুদি নত্তদুনা অতম্লনা মীতৈ ফূরুপ্তা ওনশিনবদি অঙাও অফৈনা তৌগদবা মথোং হুক্তবা থৌওংনি।

মণিপুরগী মীতৈশিংদি ঙসিগী লান অসিদগী হেনবা চহী তরেৎ খুন্তাকপা কুমজা ১৮১৯-১৮২৬ ফাওবা থোকখিবা লাঞ্জাও অসি থেংনদুনা লাকখ্রবনা অসিগুম্বা লান মচা অসিদি থোইদোক্তে। মরমদি চহী তরেৎ খুন্তাক্লিঙৈগী মনুংদা খুদোংথীবা খূৎথীবা কয়া নংদুনা লাকখ্রবনা লানগী চৈবী-চৈথেং য়াম্না ঙন্না খঙখ্রে। ঙসি ঙসিমক মণিপুরগী মপান লমদা চোইনা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীতৈ অমদি মীতৈ পাঙলশিং অসি মফম অসিগী মীওইশিংগা শেৎন-খাইনবগী অৱা মৈশা মায়োক্লদুনা লাকখ্রবনি। চহী তরেৎ খুন্তাক্লিঙৈ মনুংদা মীতৈ নিংথৌ ৮গী লৈঙাক্লোন মখল কয়া কয়া থেংনদুনা লাকখ্রে। নিংথৌশিং অদুদি (১) হেরাচন্দ্র (২) য়ুমজাও তাবা (৩) গম্ভীর সিংহ (৪) জয় সিংহ (৫) যদু সিংহ (৬) রাধব সিংহ (৭) ভদ্রা সিংহনি। অকোনবদা গম্ভীর সিংহনা অৱাবু মায়থীবা পীদুনা মণিপুর অৱাগী মখূত্তগী নীংতম্বা ফংখিবনি। অৱা লান্মীশিং হাৎপদা শীজিন্নবা গম্ভীর সিংহনা পায়বা থৌরবা থাঙশাং নিংথি তুরেলদা চামখিবনি। মরম অসিনা মীতৈশিংদি ইরৈবাক্কীদমক ৱাবা য়াবা কয়া অমা ৱারক্লে, ঙসি ফাওবা অদুমক ৱারি। নোংমৈ, বোম, টোপনা মীচম মীতৈ খরা হাৎলগা মীতৈশিংনা কিদুনা শমাই লৈদুনা চেনখিগদবা অমদি ইমা লৈবাক য়োল্লগা চাগদবা মীতৈ ফূরুপ নত্তে হায়বা কুকিশিংনা খঙদে হায়বনি। তৌববুদি কুকিশিং অসি লাইরিক লাইশু হৈবা, লো খঙবা মীওই অমত্তা লৈতবনা ‘অপাম্বা নীবদা শক্তি শীজিন্নবা হৌনদে’ হায়বসি মখোয় খঙদে। তাল্লিবা দিমান্দ ফংবদি লায়রদনা দন্দি ওইনা ফংগনি খঙজদ্রি। ●

# উদি উ কাবা য়াদবা উ, লৈদি লৈ লাইদা কৎপা য়াদবা লৈ

**– বি সী খুমন –**

ঐ শোয়খ্রে, ঐ লানখ্রে হায়বদা ইশাগী চৈরাক (দন্দি) খরমখৈদি কোক্কনি হায়বসি লৈবাক্কী মপী-মপাশিংনা খঙগদবনি। অনম কনবা, শুকহায় হায়রোই হায়রগনা প্রোব্লেম মখল-মখল মায়োক্নরকপা তাবনি। পোজিটিভ থিঙ্কিং লোমদা চৎলগা মতম পূম্বদা য়াশিন্নবা পুরক্লবগী লম্বী লৈ। নেগেটিভ থিঙ্কিং লোমদা চৎখ্রগনা অঙম তানবদুনা ঈরাং মখল-মখল শাগৎলক্লবগী ময়োল চোংহনবনি। য়ূম অমা পানবা ঙম্নবা হোৎনবসি তরাই-তরাইবা থবক নত্তে, তুরেল লৈঙোইদগীসু হেন্না কুপ্পী হায়নরিবনি। লৈবাক অমা লৈঙাক্লবা হোৎনবা ৱারমগনি খঙই। ঙম্মি খল্লগা লৈঙাক্লদি লৈবাক চাওখৎহল্লু, মীয়ামগী পূন্সি তংদু লৈতাহল্লু। তুংগী পোম্মিৎ খঙনা অশানবা মীৎয়েং য়েংবা হৈগদবনি। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী থোকঅ-থোকঅবা হায়বা মেচ্যুওর ওইদবা ৱাখল অদুনদি ঈজৎ লৈখা তারক্কনি, মীয়াম্না লাপথোক্লখিনি, নাইতোম তারক্কনি।

নরেন্দ্র মোদি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনি, মীয়াম্না ইকায়খুম্নরি। অদুবু মণিপুরগী ফূরুপ অমনদি মহাক্কী মমিং কাউনখ্রে। মাগী মনুং কনমনবা ইগোদা কমপ্রোমাইজ তৌনীংদ্রে। এর্ন্টি মীতৈ ওইবা মাগী জিও পোলিটিক্সতা মীতৈশিং করিগী বলিগী হামেং ওইহল্লিবনো, ৱাহংসিগী মতিক চাবা পাউখুম পীরক্ত্রিমখৈ মহাক মণিপুরদা খোঙদারকপা ঙমগনিসু থাজদে। চুম্মী, মীতৈ অমা ওইবগী ‘ইন-বোর্ন’ ক্বালিটিনি, পাথাং পুথাংদসু মীখা পোনবা হৈরক্তে। ইন্দিয়াদা নমদুনা তিলহল্লে, মর্জর এগ্রিমেন্টতুদা হরাওনা য়ানীংবসু য়াওই। থম্মোয় কায়না খা চিক্লা খাঙনবসু য়াওই। থম্মোয় কায়খিবশিংনা নীংতম্নবা হোৎনরকপদি মশানা তাবনি। মরমদি মর্জর এগ্রিমেন্টতু নম্ফু-হাফুদা নৎত্রগা নিংথৌবু কিহন-খংহল্লগা তৌখিবনি। মর্জর মতুংদসু ইন্দিয়ানা মণিপুরবু খ্বাইদগী নেম্বা থাক্কী সিটিজন ওইনা থমখি। লাউ-খোংনরবা মতুংদা য়ুনিয়ন টেরিটরি ওইখিবনি। চহী কয়াগী মতুংদা ষ্টেটহুদ পীরকখিবা নৎত্রা? হায়নীংলিবনা - হায়রগতা মতাবা, নীরগতা পীবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা চহী কয়ানো মণিপুরীশিংবু অতোম্বীগী মচাগুম্না শুদৎতুনা থমখিবা। মীয়াম খম থেংনা পেন্নখিদবনি ইন্দিয়া লৈঙাকপু। পেন্দবা হায়বসিদগী অশাওবা পোকপনি, অশাওবদগী শীংননীংবগী ৱাখল্লোন পোকহল্লকপনি। মতম চানা থেমহৌদবনা হৌজিক্তি থোকপা য়াবা থোকখ্রে। শম্না হায়রবদা হন্না য়েংবীদ্রবা মচাশিংনা মপাবু ৱারৌবা হেনমনখিবনা মপাগী মায়োক্তা শীংনবগা লোয়ননা নমদুনা নীংতম্বা মুনগনি হায়রি।

মপা-মচা, মচিল-মনাওগী লানদি মণিপুরদদি অদুম শাগোন্নদুনতা লাক্লবনি। মপানা মচা থেমজিনবা ঙমদবনরা মচানা হাক্লা লম হেনবনরা মদুদি ইমুং মনুংগী ৱারীনি। তৌবতবু মপা অমা ওইনা মচাশিংবু চপ মান্নবা মীৎয়েং য়েংবা ঙমদবদুদি তৌহৈখিদ্রবা থবক্লি। মদুমক্লা পেন্দবগী লান ওইহনখিবনি। মপাগী মরালনি, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মরালনি হায়বা তাবনি। ফূ-চৈবনা কান্নদ্রবদি থেম-নৌদুনা য়েংবা তাবনি। মচাগী অনীংবা-অপাম্বা থিদোক্লগা ঈংনা-তপ্না অরোইবা ৱারেপ তামিন্নগদবনি। য়েক্লবদা শীজিন্নগদবা মগুণ লৈখ্রবা খূৎলায়শিংদুবু লমহেনবা মচাশিংদা শীজিন্ননি খল্লদি ৱাখলদু লম্ফৈনখ্রে। ইচাদগী হেনবা লৈতবনি। মচা হাৎপা ঙম্বা করম্বা মপা লৈরমগদগে।

মণিপুরীশিং চিকখোন-নাউকোনবীদ্রবসু মপাগী মীনুংশি ফংদ্রগসু মরোমদোম হোৎনজমন্না মপী-মপা ওইরিবা ইন্দিয়াগীদমক হীরম খুদিংদা থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা মচা অমা ওইবগী ঈজৎ ঙাক্তুনতা লাকখি। ইন্দিয়াগীদমক থৱায়না পোম্থা পীখিবা অথৌবা আর্মি ওফিসর, পুলিস, পল্লুদ্রবসু মশীং খঙদনা লৈখ্রে। শান্নবদসু ইন্দিয়াগী ফিরাল মনীংতম্না হাইহন্দুনা নেশনল এন্থেমগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরকখিবা মশীং য়াল্লে। শীংথানবীদ্রবসু ইন্দিয়াননি খঞ্জরিবা মণিপুরীশিংনা হীরম খুদিংদা, এঙ্গল পূম্নমক্তা মাঙজিল থানা শরুক য়ারি। পল্লুদ্রবসু হেন্দোক্লা খঙলবনি। সাইন্টিষ্ট মরক্তসু মণিপুরী য়াওরমগনি, আর্মি, নেভি, এয়রফোর্সকী ওফিসর মরক্তসু থৌনা ফবা মণিপুরীশিং য়াওরমগনি। হন্দক্তা নৌনা থোকখিবা লন্দন বাউন্দ এয়র লাইনর কায়বদা শিখিবী ক্রু মেম্বরশিংগী লিষ্টতসু মণিপুরী মচা অনী য়াওরি।

মণিপুরীগুম্না নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটকী করম্বা ষ্টেটকী মীয়াম্না ইন্দিয়াগীদমক কদায় য়ৌনা থৌদাং লৌরকখ্রে থিবীয়ু। লৌববুদি লৌরমগনি মণিপুরীশিংনা মশীং হেল্লি হায়জবনি।

লাক্ল-ফানা ঙমদবা মচাশিং ওইরবসু মণিপুরীশিং অদুক হাক্লা ফত্ত-লৌশিং হৈতবনি। অদুবু মরম করি লৈবননো মতম পূম্বদা মণিপুরীশিং লিৎখৎলক্তনবা মখল-মখলগী শরৌ লাং থাক্তুনা নমথনবা হোৎনবীরি। মণিপুরীশিংনা হীরম খুদিংদা চাওখৎপদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী কোক চিক্কদবা করি মরম লৈ নৎত্রগা নোংমদি নীংতম্বা তাল্লক্কনি খন্দুনা কিরিবরা নৎত্রগা নিংদোন পোল্লিবরা? হায়সু হায়নরি মণিপুর ষ্টেটতি ইন্দিয়াগী অরোনবা পৱার হাউসনি।

বৃটিশনা পাল্লিঙৈ বৃটিশশিংনা মণিপুরগী থৌনা উবদা ইকায়খুম্নখি। অদুঙৈ জপান লানদসু মণিপুরীশিংগী মীওক-মীচান জপানিজশিংনা কল্লকচখি। নেশনল হিরো - সুভাসচন্দ্র বোসমক্লা আই এন এগী নীংতম ফিরাল য়ুংলম্বদুসু মণিপুরগী লৈমায়দনি। খুদিংমক মণিপুর মীখা পোন্দ্রিঙৈগী পুৱারীনি। পূম্নমকসি লোইনমক খঙবনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরবু কুপশেন শেন্নবনি। ইন্দিয়ান অমা ওইনা মণিপুরীশিংবু ইকায়খুম্নবীদবনি। মণিপুরনা তংদু লৈতাদ্রিবসি খূৎশেমগী ওইবা য়াম্না লুজদবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌশিলননি হায়বা তাবনি।

কৈদৌরুনি মনুং লেনখ্রে হৌজিক্তি, মণিপুর ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমনি হায়দবা য়াররোই। ইন্দিয়ানাইজেশনগী মরা-মরূ তাখ্রে, পাক হোংগে য়াররোই। ৱানা, মথোঙ-মরম খঙদনা, ৱাখল থোক্তনা লৈরিবা মণিপুরীশিং পুনশিন্দুনা তুংগী মণিপুর অমগীদমক হিংনবা হোৎনরসি। অনৌবা মণিপুর অমগী ঐখোয় লিংজেল মান্নরসি।

কুকিসু কুকিলেন্দ তান্না-তান্না কাঙ্খুল মুৎখ্রসনু। সেন্টর লৈঙাকসু তাৎ-পাৎকী লৈঙাক পাম্লুবগী মরোল মরাল তাক্তুনা পার্টিগী মমিং ফাওবা কাউখ্রসনু। নীংতম্বা পাম্বশিং, মণিপুরগীদমক্তা হিংলিবা সী এস ওশিংসু অচুম্বা মায়ওন অমুক্তগা কুপ্না থিবীয়ু। নোংম-নোংমগী মণিপুরগী ফিভম শোকচিল্লক্লিবসি কুপ্না নৈনবীরো। মমা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাবদা পাম্মুবীদ্রবা মচা লিশিং-লিশিং লৈনা-লৈনা মমাবু খূদাং পিফম নাইহনগদ্রা? উদি উ কাবা য়াদবা উ, লৈদি লৈ লাইদা কৎপা য়াদবা লৈগুম কাঙ্খ-থাঙ ওইখিগুমসি। লোত্তুনা থল্লিবা ৱাখল-লৌশিং নৌনা শাফোঙলো। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মীতৌ তম্বা তোক্লসি

***ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,***

অপীকপা ফূরুপচা অসি কয়াম্না মীতৌ তম্বদা ইকায়বা পোক্নরক্তুবরা? পারি-পুরি মশক খঙনরক্তবদগী ইশাগী অশেংবা ফিদম লৈরক্তবদগী খুন্নাই অমগী মীওই কয়া হামচৎনরকই। ঐখোয়না কনাগী লাইনীংনো, চৎনবীনো হেক্তা খঙদনা মীতৌ তম্বদা হেন্না পূক্লিং লুপশিনবা অসি অশিংবা অমদি নত্তে। ঙসিমক মীতৈগী কাঙ্খুল অসি মুৎখ্রগদ্রা হায়বগী চিংনবা ফাওরক্লে। নোংমতা কাংদে ‘বর্থদে’ অঙাংগীসু মঙাই অদুগা অচৌবগীসু মঙাই তৌনরিবা। লৈবাকসিদা মীওই কয়ামদি চাওখৎপসি করিনো খঙদবগুম তৌরি। ঐখোয়গীসু ফজবা নাৎ, চৎনবী, লাইনীং-লাইশোন অমদি শেন্মীৎলোন অমত্তা ৱাত্তনা লৈরি।

কংলৈপাক (মণিপুর) হঙ্গৎনা য়েংসি- মীতৈ অপীকপা ফূরুপ অমা ওইজরবসু ঐখোয়গী নাৎ, চৎনবী অমদি শান্ন-খোৎনবগী লম্‌দা হেন্দোক থোইদোক্লা মালেমদা মমিং চৎলিবনি। মীতৈ ফূরুপ অসিগী মীওই খুজোক খরনা মীতৌ তম্বদা ঙাওরিবা, মীগী চৎনবী ইল্লিবা করিগীনো? ঐ মীতৈ অমা ওইনা য়াম্না ইকায়জৈ। মীতৌ তম্বদা হালেংদ্রিবা ইবুংঙো-ইবেম্মশিংনা মীৎকুপ অমত্তং হেক-হেক তিন য়োৎথবীরগা ইশাবু/ইফূরুপ অসিবু অৱাংবা থাক্তা চিংখৎনবা হোৎনগদবনি হায়বসি খন্থহন্নীংই। ঐ-ঐ হায়বসি হান্না চাওখৎলগা খুন্নাই অসি চাওখৎলক্কদৌরিবনি। খুন্নাইগী অহোংবা পুরকপদা ইশাগী অচৌবা থৌদাং য়াওরি।

অপীকপা ঐখোয়গী ফূরুপ মচা অসি মীতৌ তম্বদা য়াম্না হেনমনখ্রে। নুংশিরিব্রা নৎত্রগা করিনো! পীকখ্রবা মচাশিংদসু ৱা ঙাঙবা তম্বীরিবনিগাইদনা মম্মী-দেদী-ও, নো-নো! ঐখোয়সিবু কয়াম থাক ৱাংবা মচানো? ৱাখল অসিদা চৎনখ্রবদি নোংমদি ফূরুপ অসি মফম খঙদনা লুপখিগনি। পারি-পুরিদগী লৈজরল্লবা ঐখোয়গী ফজখ্রবা থকসি-খাসি, চৎন-কাঙলোনবু অতোপ্পা ফূরুপ কয়ানা মতৌ তমহনখিগদবনি। লমদমসিদা মীতৈ ঐখোয়গী চৎনবী নত্তবা ‘বর্থদে’, ফ্লৱর প্রজেন্টেশন কনানা হৌদোরকপনো? ঐ মসি খঙনা চৎপা চুমদ্রা? মীতৈ মচা অমা ওইনা কংলৈপাকসিদা পোক্লুবা ঐখোয়না ঐগী লাইনীং লিচৎ থিদনা মীগী চৎনবীদা ইল্লুবা নোংমদি ফূরুপশিংদুগী মমাঙদা ইকায়বা/চোপ্পা নংলক্কনি।

মীতৈ অমা ওইনা কংলৈচা অমা ওইনা হিংসি। লমদমসিদা লৈরিবা অতোপ্পা ফূরুপশিংনা মাগী মাগী চৎনবী ঙাক্তুনা হিংনরিবনি। “মীতৈনা বর্থদে তৌবা লেপ্পীরো”? মসিগী নামাদা শা, য়ু, চাবা-থকপসু তোকপীরো। তুংগী অশানবা মীৎয়েং থমদুনা চঙশিনমিন্নরসি। ঙসি ঙসিমক ঐখোয়না থেংনরিবা লাম্থেং কয়া অসি মমাঙদগী খজিক-খজিক অসুম শোয়খিবদগী ঙসিদি অচৌবা অশোয়বা কয়া ওইরকখিবনি। য়েংবীয়ু- মীতৈনা চত্তবা-ইন্দবা, মীতৌ তমদববু ইয়াও য়াওরক্ত্রে। ঙসি ঐখোয়না লৈবাক অসি কংলৈপাক নত্তবগুম লৌবা চুম্লোই। অদুঙৈগী কংলৈপাকপু মণিপুর ওইরকখিবা ঐখোয়না হঙ্গৎনা য়েংবা চঙই। নোংম-নোংমগী খুন্নাই অসি মুৎশিল্লকপগী মমি চাউনা তারকপা উরি। পুৱারীগী লাতম কয়াবু নীংশিংলুবদা-

ইপাম মৈ হৌরে
লাংচীং মৈ চাক্লে
হা ইদু নিংথৌ লৈতব্রা
খাম্বী মৈ কল্লো।

অসিগুম্বা ইপা ইপুশিংদুনা থম্বীরম্বা শীংথানীংঙাই ওইরবা মমল য়াল্লবা ৱাহৈশিং অসিবু নাথৈদুনা মীগী লাইনীং চৎনবীদা হেন্না লুম্মী হায়বা ৱাখল অসি থাদোক্লসি। মীতৈ ঐখোয়গীসু চৈরাওবা, মেরা হৌচোংবা (হাওজোংবা), য়াওশঙ, নিঙোল চাক্কৌবনচিংবা কয়ামা ৱাত্তনা লৈরি। মসিদা পূক্লিং লুপ্পীয়ু। হৌজিক্তি ঐখোয় পূম্বনা ফিঙান শেৎতুনা ফূরুপ অসি কনবা মতম য়ৌরে। ঐখোয়গী পূক্লিং ৱাখল অসি অচেৎপা অমগা লোয়ননা মালেমগী চাওখৎলবা ফূরুপশিংগা মীমান্নবা ঙম্নবা হোৎনবা মতমনি। ঊচি চি চি খলুং মপান খাওশাবা শাইদাং লাকই ফ্রং : মীওইবা ফূরুপ অমত্তনা মশাগী ফূরুপ নত্তবা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা কৈদৌঙৈদসু ফূরুপ/কাঙলূপ অদুগী অফবা তৌরক্কদবা লৈতে। হয়েং ঐখোয়গী ফূরুপ অসিনা লৈখা তাবা লোইখ্রগা লিন-না মখুল চঙলমদাইদা চুম্মী হায়বদুনদি কান্নরোই। অরোইবদা হায়জনীংবদি ইশাগী ফূরুপ্পু, ঐগী লাইনীং লিচৎ, চৎনবীবু খোঙ্গাওনবা লেপ্লসি, ঐখোয়গী হয়েং তুংগী মীরোলগীদমক অচুম্বা লম্বী চৎলসি।

**অদোমগী-এস লাকপতি মঙাং**

## নোঙ্গুমলকখো

***ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,***

ইরমদম অসিগীদমক কখোক্তুনা হোৎনরম্বা অরাম্বম সমরেন্দ্র লৈখিদবগী ২৪শুবা নীংশিং থৌরম থা অসিগী ১০দা পাঙথোকখ্রে। লুচিংবা অসিগী ৱাখল্লোন অমদি চৎলম্বা লম্বী অদু লৈহৌরিবা মীরোল ঐখোয়না খোঙ্গুল লীবগী তঙাইফদবা লৈ। লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসি ইরমদম অসিগীদমক কখোক্তুনা লাকখিবা মীওই অমনি। ইরমদম ইরৈচাশিং অসিগীদমক মহাক্লা লৌখিবা থৌদাং ঙসিগী মীরোলনা কাউথোকপা চুম্লোই। মরৈবাক্কীদমক কখোকখিবা লুচিংবা অসিগী ৱাখল্লোন হৌরল্লিবা নহাশিং অসিগী ৱাখলদা মমি তাহন্নবা হোৎনগদবনি। মহাক্লা থাংজিল্লম্বা লম্বী অদুনা লৈহৌরিবা ঐখোয়না তুং ইন্না চৎতুনা মহাক্কী মঙলান অদু মঙফাওনহনবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি। মহাকপু নীংশিংদুনা ইকায়খুম্নবা উৎলিবা অসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন, মরৈবাকপু নুংশিজবা ইহুল অদু হৌরল্লিবা নহারোলশিং অসিদা মমি তাহন্দুনা লম্মুক্লরবা লমদমসিবু কনবা ঙম্নবা হোৎনবনি। ওইরল্লিবা লমদমসিগী ফীভম অসিদা মহাক্কুম্বা কখোকপগী গুণ চেনবা লুচিংবা কয়া মথৌ তারল্লি। মমি শাল্লল্লিবা লমদমসিগী তুংলমচৎ ময়েক শেংহন্নবা লুচিংবা অসিনা চৎলম্বা লম্বী অদুদা ঐখোয়না তুংইন্দুনা চৎলসি। লমদম অসিগী অনৌবা আশা পুরক্লবা হোৎনবদা লুচিংবা অসিগী ৱাখল্লোন অমদি লৌরম্বা থৌদাংশিং কূপ্না নৈনদুনা মাঙলোমদা চঙশিন্নবা হোৎনমিন্নসি।

অইবা অমা ওইনা মহাক্কী দ্রামা অমদি লীলা কয়ানা খুন্নাই অসিগী অশোয়বা অমদি অরানবা কয়াবু মীয়ামদা মীৎ-নাকোং শিংহন্নবা হোৎনখি। লোয়ননা লমদম অসিগী নুপীশিংবু মশক তাক্লবা হোৎনখি। মহাক্লা লৈখিদবা অসি লমদম অসিগী মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা মশক নাইবা অইবা অমা মাঙজরবনি। অফবা খুন্নাই অমা ওইনবা হোৎনবদা অইবশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসুক্কী মতিক চাউই। মহাক্কুম্বা লুচিংবা অমদি অইবা অমা ওইনা ঐখোয় পূম্নমক্লা ইকায়খুম্নবা উৎপীবা অসি ঐখোয় পূম্নমক্কী তৌফদ্রবা ইথৌদাংনি। মথংগী মপোক অদুনা করিগুম্বদা লৈরম্বা থোক্লবদি অমুক হন্না নোঙ্গুমলক্তুনা ঐখোয়গী ইরক্তা তিল্লদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবীরখো। **অদোমগী - কাংজম হেমন্ত, লংথবাল মন্ত্রিখোং মখা লৈকায়**

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৬গী ৱাহং

১) “মীতৈ লাইরহনবগী লম য়ানবা” হায়বা ৱারেং অসি কনানা ইবা করম্বা ৱারেংগী লাইরিক্তা য়াওবগে?
২) “ৱারীনি অদু নোং” হায়বা লাইরিক অসিগী এদিটর কনানো?
৩) “শৈরেংগা মথোৎ কারকপশিংগা” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
৪) “মচু মচুগী লৈরাং” হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
৫) “স্নেহলতা” হায়রিবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।